# ৱারীমচা

## ট্রান্সফর

*শরৎচন্দ্র নোংথোম্বা*

ওজা তোম্বা মীতৈ চীংনুং অমদা ট্রান্সফর তৌবীরে। মাদি ইচম চমজবা মাগী খুঙ্গংগী প্রাইমারী অমদা তেক–তেক ওজা ওইজবনি। তলবসু হৈক্রু মনাদা য়োমদুনা ফংবনি। লাইরবনসু পৎ তৎলি। অদুনবু য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমগী বি এ মানা প্রাইমারী স্কুল অমদা পৎতুনা লৈরক্লি। মাগা লাইরিক তম্মীন্নরকপা বি এ সিক্স ইয়ারদা পাস তৌখিবা থোইবনা শঙ্গ–পঙ্গ ৱানোম তুনোম তৌদুনা ক্লাস ৱান ওফিসার ওইরি। ফুরা দলান জিপ কার খোঙনেৎনরি।

হন্দক্কী তোম্বা মীতৈগী ট্রান্সফরসি মাবু নুংশিবীবা মরুপ–মপাংশিংনা য়াম্না ঙক্না থোক্লখি। মীচঙ–মীখায় নাইবা মন্ত্রিবু য়াম্না ৱারোঁনৈ। মফমদু চীংদা চীং অশেংবা ওইরমাল্লে। তমেংলোংদগী খোঙলম্বীদা অমুক পূং ৫/৬ কী লম চঙশিল্লগা লৈবা চীংনুংগী স্কুল অমদনি হায়।

মাবু মন্ত্রিনা মফম অসিদা ট্রান্সফর তৌবীরিবগী মরমদি লমদমদুগী চহী ৩৫ চুপ্পা ভোট কারক্তুনা মন্ত্রি ওইরক্লবা এম এল এ চাউথোইদা ভোট খক পীরক্তবগীনি। হন্দক্তা হায়দোকখিবা বিধান সভাগী ইলেক্সনগী ফলদা শম্নাদা লীৎতুনা কাহৌরবা (মদুসু মাগী মশাগী হৈজ–শিংজবা ভোটকী তেক্নিক, খুবী খুদোম্বীনচিংবগী পোষ্টেল বেল্লোট, খূৎচাবী পোল্লিং। কাউনতিং ওফিসারশিং শীজিন্নরগা কারকপা) চাউথোইনা মবুক্লীং নুংশিনা মাগী য়েৎকী ওয়গী পান্থোম ওইবীরিবা মনি, মুক্তা, মুবা, ঙৌবা, অচৌ, পিশক পূম্নমক কৌশিনদুনা হায়রকই– "ইয়াম্বশিং অমদি ইনাওশিং! হন্দক্তি শম্নাদা লীৎতুনা কাহৌবনিদো। ঐনা য়াম্না ঙক্লিবদি, ঐনা চহী ৩৫ মন্ত্রি ওইদুনা ঐগী কেন্দ্রসিগী য়াইফনবতা হোৎনরকই। মরু ওইনা লাইররমখ্রবা ঐখোয়গী পোক্ফম ইখুঙ্গং অসিদা ঐ অমা চোংথোরক্তুনা প্রজাগী সেবা তৌরকপদগী মীনা মমিং তাবীরমদ্রবা খঙবীরমদ্রবা ঐখোয়গী খুঙ্গং অসিদা চাউখৎপগী লমদা খ্বাইদগী খুমাঙ চাউশিল্লবা খুঙ্গং অমা ওইরেদো। খুঙ্গংগী লৈরক খুদিং কোলাসরোড, মদুদা বিজলী থাউমৈ পরেং পরেং, লৈরক্কী মফম চাবা চাবা য়েংদুনা তোতিগী ঈশিংনা ৱা! ৱা! অচৌবা কাঙজেবুং! অচৌবা ৱাটর সপ্লাই স্কীম! সরকারগী স্কুলশিং, লোইশঙ অমা–অনী। শুফম নোম্ফম খঙলমদ্রবা খুঙ্গংসিগী য়ূম অমদা সরকারগী থবক (পীকপা–চাউবা) অমা হায়বা পান্দমগী মখাদা অহানবা মরোল ঐনা তার্ম মরিরক মন্ত্রি ওইবদা পান্দমদু ফংখি। ঙসিদি য়ূম খুদিংদা মী অনী থবক ফংহন্নবগী পান্দম ফাওবা চঙশিল্লক্লি। মসিদা খুঙ্গংসিদা হিংলিবা ঐঙোন্দা ভোট পীদবা কনা কনা লৈরিবগে? মতীকচাবা দণ্ডি পীগনি হন্দক্তি!"

মাগী ভাষন তারবা তুংদা মাগী য়েৎকী পান্থোম মনিমোহন্না ইঙনা তপ্না খুমজরকই– "সাহেবপু, ঐখোয়গী খুঙ্গংগীদমক্তদি করি থোইদোকত্রে। লৈখিদ্রবা ঐখোয়গী পাবুং অমদি ইমাদু ফাওবা হিঙ্গৎহঙ্গরগা সাহেবতা ভোট পীহঞ্জখিবনি। চহী কুমওন ফীরোয়দদি মখোয়দু লাক্তুনা মচা ঐখোয়না কৎচরিবা প্রসাদি ফংলমগদ্রা ফংলম্লোইদ্রা খঙজদ্রে। সাহেবকী ভোটতদি মখোয় ঙম্না সৈখাৎ লাক্তুনা তশেং তশেং ভোট থাদবীরম্বগী খুদম মার্কা তিক তৌদুনা হেক্তা মরৈম্লবনি। সাহেবপু য়াদবা খুঙ্গংসিদদি কনাসু লৈত্রমাল্লে খঞ্জেদো ঐখোয়দি!"

চাউথোইনা মায়থোঙ মকা লাম্না মনিগী ভাষনদু চাম্মদা চাম্মা চুম্লবনি হায়না লৌখি।

মুক্তাচাউবনা অহল অমা ওইনা অরাওবা মমীৎতু তোংলপ উইথরদুনা জ্ঞান তানা হায়রকই– "হন্দক্কী ঐখোয় ইনাও ইবুঙোগী ভোটতুদি মখা লৈকাইগী মৈলৈমচাগী ইমুংদু কাউবা খক তৌবীগনু। মৈলৈমচাদু ঐনা কাবক মরী লৈনশল্লগা মখোয় ইমুংগী ভোট মঙাদু পূন্না লৌহৌবনি ইনাও ইবুঙো। মদুগী হাক্তক্তা নোংমা নীনী নতৈমদু মপামদা লৈরুরবনি। মখোয় মঙানবু শীৎ নাম্থোক্লম্লবা ঐখোয় তোকলে অদুম্মক! মখোয় ইমুংসিদি মীগী হায়নবী পার্টিদো শেংজখ্রবা!"

চাউথোইনসু মঙক নোম্লদুনা খুম্লকই– "ইয়াম্বগী ৱাফমদুসু ঐহাক খঙজিঞ্জরে।" (মরমদি মানা হন্দক কারিবসি সুপ্নগী ভোট অহুমখক হেন্দুনা কাখিবনি।)

মখোয় ময়ামগী ৱাদু তারুরবা তুংদা নহা ওইরিবা, চাউথোইগীদমক্তা শিবা কিদনা ভোট খুদিংদা অপঙ থৌনা কন্না উৎচখিবা, মী কয়া ফুন– চৈনবা মকোক থুগায়বা ঙম্বা কংশমুবা (ময়াম্না মাবু কংশগা মান্নৈ লৌদুনা কৌনবনি কংশমুবা) না মমীৎ মনা পুন্নং লংনা ফুক হৌগৎলদুনা শং–শংদুনা হায়রকই– "ময়াম্না থবক্তি য়াম' তৌবীরি হায়ববু কূপথবদি য়াম্না ৱাৎলিদা। ঐনা খুঙ্গংসিদা খ্বাইদগী য়ানীংদবা ইমুং অমা লৈ। মহাক মপুন্সিদা তাইবুঙোদা খক ভোট পীরক্ত্রি। কোলাস থারবা লম্বী থোংগী নুংঙাইবা, মৈগী ঈশিংগী খুদোংচাবদি মাসু ঐখোয়সু চপ মান্নবা ফংমিন্নরি। লোয়ননা সরকারগী থবকসু তৌরি!"

"কনানো! কনানো! খুঙ্গংসিদবু ঙসিসু অদুগুম্বা মীশক হিংলিব্রা?" ময়াম্না য়ৌ য়ৌ হংজিল্লকখি।

চাউতোইনা মুবদা শংত্রিক য়েংলগা পীশুম শুক্তোক্লদুনা হংলকই– "মীশক্তু কনানো?"

"কনাবু ওইগনি তাইবুঙো, তোম্বা মীতৈনি!"

"তোম্বা মীতৈ?"

ট্রান্সফর ওরদর ফংবা অহিংদু তোম্বা মীতৈ তুম্বা চাবা য়াদে। উয়ুংবগুম তুমিন চপ–চপ লেপ্পী। থবক মতাদুগা তলব মতাদুগা, তৌরক্লিবা ট্রান্সফর মতাদুগা অমসুং খল্লুরগা মহাক নোক্তবা ঙমশিল্লকত্রে। তুমিন লৈরম্বদগী ফাক–ফাক মখোল হৌনা নোকথোরকই। মদুবু তারগা মাগী নুপী ঙাঙবী লৈমনা হায়রকই– "করিনো নঙবু ঙাওরব্রা? মীনা তারগা উরগা ঙাওরে হায়রনিয়ে। লাকও তুম্লরো!"

"লৈমা, ঐনা থবক তৌরক্লিবসি ঙসিদি চহী ২৫ পুরা ফারক্লে। অদুবু অসুক কুইনা থবক তৌরকপগী মমি অমতসু ঐগী য়ূমসিদা ঙসি ফাওবা তাবা উদ্রি। ফুরীৎ খোঙ্গ্রাও মরোল অনী শুনা অমুক্তসু শেৎ–চাবা ফংলক্ত্রি। নঙগী ননাদা সনা মচেৎ অমা ফাওবা য়ানবীবসু ঙল্লক্ত্রি। নোংমতসু অহাওবা এঙ্গ্লাং অমতসু থোংদুনা ইচাশিংসি পীজবসু ঙল্লক্ত্রি। মসিগুম্বা থবক মতাসিদবু অমুক চীংনুংদা ট্রান্সফর। মসিদনিনে ঐনা য়াম্না নোক্লীংলিবসে লৈমা। ফনসু কুইরক্লে থবক তৌরক্লিবসি, ঐ থবকসি তোকথোক্লগেদা! ঐ তোক্লগে সৈত্য!" য়াম্না মথ্বায় চাক্লা হায়রকপনি।

"হোয় ৱাফমদুবুদি য়াম চুমই।" লৈমনা ইংনা খুম্লকই। মখা তারকই– "অদুবু য়াম্লবসু য়ামদ্রবসু সরকারগী থবক তৌরুবগী থা অমমমগী শোয়দনা তলব হায়বমদি হেক–হেক লাক্লি। শেনফমদুনা মেন্নরক্লিবা ময়ামসিদি থবক তোক্লগদি কমদৌ তারিগে?"

"থবক তৌদবা মী অসুক লৈরিসিদি শিব্রা হায়বা? পেন্সনসু খরদি মরাক্কনি। ইবান্নি চঙদুনা কন্না শূ–নোম্বা তারেদনা।"

"অমুক্তা খন্থবীখো মুন্না! হৌজিক্কী মতমদা পীকপা চাউবা থবক অমা ফংবা হায়বসি লংকাদা হীং তাঙবগুম তাঙলবনি। নচাশিং মতীক চাদ্রিবা ফাওবদংদি খরা খাঙখিসি। চীংদা পোষ্টিং তাবা মী অসুকয়াম লৈরিসিদি! লৈখ্রগা কনানা খঙবা পাঙনুং মনুংঙাইরম্বসু!"

"অদুওইরগা নঙ হেক চৎলুরো!" তোম্বা মীতৈ য়াম্না শাউনা মফি কল্লম্লগা ফুক হৌগৎলি।

চীংগী ইপা খুল্লাকপগী য়ূমনি।

লৈশা পাখঙ ময়াম্না য়োমই। "ওয়া তুমপা হয়েং য়ূম্ফাল থোক্কনি। মখোয় ময়াম্না য়া–য়া লাঙনৈ। মাগী মাগী অপাম্বা পোৎ–চৈ ওজানা মথং হপ্তাদা লাকপদা লৈবীরক্লবা তপ্পরকই। মদুগী শেল ওইনা মখোয়না ওজাদা পিদে। মতম মতমগী চীংগী মহৈ–মরোং মপোৎ–মপোৎ পুনরক্তুনা ওজাগী মাঙদা থমলৈ। কনানা থাউ মনম নুংশিবা, কনানা চাগী খুজি, কনানা হকচাং সাপোন, কনানা ফিরোল মচা–মশু, মাগী মাগী অনীংবা অপাম্বা তপ্পরকই।

ওজা তোম্বনা মদু পূম্বা মখোয়–মখোয়গী মমিং মথাগা লোয়ননা মাগী নোটবুক্তা ইশিল্লি। সিদা নত্তনা খুনগী খুঞ্জাশিংনা মখোয় মখোয়গী মচা–মশুশিংবু অতৈ তমগী ওজাশিংনা তাকপী–তম্বীবদগী হেন্না হৈনবা–শিংনবা খঙনবা প্রাইভেৎ তম্বীবগীদমক মমল তাঙল–তাঙলবা খুদোলপোৎ কয়াসু ওজাগী মফমদা কৎলৈ।

মমাঙগী অয়ূক অঙনবদগী হৌনা পাঙ্গল ফরবা পাখঙ মঙা ইপা খুল্লাকপনা হায়বদগী পোৎ–চৈ পুদুনা তমেংলোং তম্না খোঙশাল্লক্লে। খোঙলম্বী অদুনা অসুম অসুম অশুকপা লোকতাই উমং–ৱামং ফাওদুনা লাকপনা অয়ূক্কী পূং তরা তাবদা তমেংলোং য়ৌরে। ইম্ফাল য়ৌবা গারী অমদা ওজাগী পোৎ–চৈ হাপ্পীরম্লগা তুংদা চীংগী পাখঙশিংদু ওজাবু বিদাই পীরক্লে।

চহী ৫ হৌখ্রে। ওজা তোম্বা মীতৈগী ইমুং নোংমা নোংমগী মঙাল তাবা হৌরক্লে। শেল ইচঙ চঙদবা মওংদা চেক্কী য়ূম মচা অমা তিন্না কুপ্তুনা তরু তনাননা শাজবা ঙমজরে। চীংদা পোষ্টিং তারিঙৈদগী মাগী মাগী তলব লোয়না শেমলে। চখোক–চৎশিন্দা ওজা তোম্বনা মতম মতমগী পোৎ–চৈ পুথোক পুশিন তৌই। চীংদগী পুরকপা পোৎ–চৈ মাগী নুপীনা হৈ–শিংনা কৈথেন্দা য়োল্লি। তমদগী পুশিনখিবা পোৎ–চৈ ইমা খুল্লাকপীনা ওজাগীদমক ফনবা শীনবী শাবী। ইমা খুল্লাকপীনা ওজা তোম্ববু য়াম্না লুনা তৌরিবগী মরমদি মখোয়গী অমতা পোকচবা মচানুপাদু ওজানা থৱায় য়াওনা কন্না হোৎনবীবদগী মেত্রিক থাবদা ফজনা পাস তৌদুনা ইম্ফালদা কলেজ তমখ্রে। ওজাগী লমন পুন্সিগী শিংঙম্লোই খঞ্জরিবা ইমা খুল্লাকপী অমদি ইপা খুল্লাকপনি। তেল্লবা চহী খরসিদা ওল্লক্লিবা তোম্বা মীতৈগী ইমুংগী মওং মতৌ কূপ্না য়েংলগা নোংমা কংশমুবা মন্ত্রিগী মনাক্তা চেল্লক্তুনা করি করিনো য়াম্না হায়রৈ। কংশমুবনা খ্বাইদগী চাকপসি তোম্বা মীতৈনা নুংঙাইখৎলকপা অসিনি। মাগী মথৌ তোম্বা মীতৈনা করি তৌরি য়েংশিনবনি।

"তাইবুঙো, ফগদ্রা খন্দুনা তৌরুবা থবক্তুনা হেন্না তোম্বা মীতৈগী য়াইফবা ওইখ্রে। মাদি চীংদা ট্রান্সফর তাখিবদগী চীং–তম ললোন–ঈতীক তৌদুনা তলব লেমজা চাদুনা ময়ূম–মকৈ লৌচা–শীংদা লেপশিনখ্রে। খরা কুইথরক্লবদি শেল য়াম্না পায়খৎলক্তুনা ভোট লেপকে হায়রকপসু কনানা খঙবা। মাগী হান্নগী মফমদুদা মাবু থুনমক অমুক ট্রান্সফর তৌবীহৌবনা ঐখোয়গী য়াইফবা ওইহৌরগনি সাহেব!"

"ফৈ!" মন্ত্রিনা য়াম্না শম্না খুমখি।

ইকুই কুইদনা তোম্বা মীতৈ মাগী হান্নগী স্কুলদা অমুক ট্রান্সফরগী ওদর থোরক্লে।

# তাবুনুংদগী

*ঙসিদগী চহী ৫০/৬০ গী মমাঙদা পুঙ্কক চাউরক্লবা মৈতৈ নুপীমচাশিংনা শান্নরম্বা ' সেবোতি কাওনবা'' হায়বা মশান্ন অদুদা শান্নরোল অমা লোয়নরি। শান্নরোল অসি হায়রগা নিঙ্গাংননা ফম্লগা খোঙ নাম্মা–নাম্মা তিংথোক–তিংশিন থুপতোক–থুপচিন তৌরগা শান্নবনি। অসুম্না চোংবা অসি খ্বাইদগী কুইনা ঙম্বা অদুগা পাঞ্জল কাবা শান্নবনি। ঙসিগী ওইনা মশান্না অসিগী শান্নরোল অদু তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

### সে সে সেবোতি

সে সে সেবোতি
লাইশ্রম মচা ভবনী
নঙগা ঐগা কাওনসি
কনানা ঙম্বগে য়েংনসি
কৌনা ফুক্তুম ফুক্তোক্কে,
থম্বৌ থেক্তুম থেক্তোক্কে,
লৈশাবী ফিদুপ শীংনসি
পাখঙ খুঁদে–শীংনসি।–শ্বা

# মণিপুরী পাহ্লে –পাউরৌ, পাউতাক

* **ওইদবা ঙাঙবা পাপনি। (ওইদবা ঙাঙবা ফত্তে)।**
  – মীনম্বা লৌনম তৌবা মরাল লংশিঞ্জবনি।
* **ওইজ–ওইথক্লা হারবা।**
  – কান্নবদা য়েংবা, ওইজবা ঙাক্তা খনবা।
* **ওইজবা অমা তানবদা ওইজবা তরা থায়।**
  – ওইজবা পাম্মনবদা মাঙজবনা হেন্দোকখিবা।
* **ওইজবা তানবদা মী ওৎকনু ৱায়াম থৌয়ামগনি।**
  – ঐগী ওইজবা ঙাক্তা থিবদা মী ৱাহনবা হৌনদে, ৱাথোক লাম্থোক থোকপসু য়াই।
* **ওইজবা থিবা হায়বসিনা মীৎ তাঙহল্লি।**
  – মশাগীদা খনবা হেঞ্জিন্না পাম্লবদি অফ–ফত্ত খঙলক্তে।
* **ওইজবা খরগীদমক নশানা নশাবু মীনমগনু।**
  – ওইজবা খরা ফংনবা হোৎনবদা ইশানা ইশাবু ইরাল লংশিনবা চুমদে।
* **ওইজবা ঙাক্তা উগনু অমাঙবগীসু খল্লু।**
  – মীগী খন্দনা ঐগী কান্নবখক্তা থিবা চুমদে।
* **ওইজনাম–পুজনাম থিবা।**
  – মশাগী কান্নবখক্তা য়েংবা।
* **ওইজনাম পাম্বা মী মশেল কুইনা তিন্নবা য়াদে।**
  – মাগী মাগী ওইজবা ফংনবা হোৎনবদা অমগা অমগা মোৎ তিন্নরক্তবা কায়নরকপা অমদি খৎনবা থোক্কল্লি।
* **ওইজ–ওইথক তানবা।**
  – কান্ননবতা হোৎনবা।
* **ওইগদবনা ওইদ্রগা ওইরোইদবনা ওইথোকখিবা।**
  – ওন্ন– তৈনখিবা থবক।
* **ওইদবগী ইখোলদা ওইদবা পাম্বী।**
  – মচিন থিগনবা মীনা অশেংবা হায়রকপদা থাজদবা।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

# চানক্য নিতি

– লাইরিক্তা লৈবা বিদ্যা মীখুত্ত লৈবা লন, পাম্বা মতমদা শীজিন্নবা ঙমদে। অদুগুম বিদ্যা অমসুং লন অদুম্মক কান্নদ্রবনি।
– লাইরিক খক্তদগী ফংবা, গুরুগী নাক্তগী ফংদবা জ্ঞানদি মীয়াম তিন্নবা মতমদা মপা খঙদবা মচাগী মমাগুম্মী।
– তৌরকপা থবক্কী চপ চানা তৌগদবনি। নোল্লুক্লা তৌরকপদা নোল্লুকউ, হিংসা তৌরকপদা হিংসা তৌ, মবুক ফত্তবদা ফত্তবা তৌবগী দোষ লৈতে।
– তপস্যা অমসুং ধ্যাননা য়ৌবা ঙমদনা লাপখিবা মফম লৈতে। ফংলরোই খনবা কয়াসু তপস্যানা ফংবা ঙম্বনি।
– মিহৌ–কারাম্বা লৈবা মীদা পাপ অতৈগী ৱা কৈদৌনি? মী হুন্দুনা ঙাংইবা মীদা অতৈ পাপ লৈখিগদ্রা? অচুম্বা চৎলিবা মীনা তপস্যাগী করি কান্ননি? পূক্নীং–হকচাং শেংলবা মীনা তীর্থ চৎলগা কৈদৌরুনি? শক ফজরবা মীনা কেরুবগী করি কান্ননি? মিংচৎ লৈরবা মীগী লৈতেংনা করি তৌরুনি? বিদ্যা লৈবা মীনা লল্লেবগী করি কান্ননি? মিংচৎ মাঙলবা মীনা শিরগা অমাঙবা করি লৈবগে?
– মপানা মনি পীরিবা সমুদ্রনি, লক্ষ্মীনা মচেনি, অদুবু মোইবুংদি ভিক্ষাদা শীজিন্নৈ।
– অশোনবা মীনা সাধু, লাইরবনা ব্রহ্মচারী (লুহোংদবা), অনাবনা ভক্ত, অহল ওইরবী নুপীনা মপুরোইবা নীংবা (তঙাইফদবদগী) ওই।
– ঈশিং য়াওনা চাক দানগা মান্নবা অতৈ লৈতে, ১২ নি পানবগা মান্নবা থবান অমা লৈতে। গায়ত্রীগা মান্নবা মন্ত্র অমা লৈতে, ইমাগা মান্নবা অথোইবা লাই অমা লৈতে।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্মা***

# মণিপুরী পাউখোং

৩০৭. মরূনা ময়াইদা মশানা থক–খাদা লৈবা করিনো?
৩০৮. মৈতৈরোলদা ৱাহৈ অমা লৈ। ৱাহৈ অসিমক অওইবা খঙনবদসু ওইদবা খঙনবদসু শীজিন্নৈ। শুপ্নগী অনেম–অৱাংদনা খেন্নবদু তাকই। ৱাহৈদু করিনো?
৩০৯. লৈগী জাৎতা লৈজরগসু মপালদুদি ইচি–চিন্নদবা, মনা নৎত্রগা মতোলদু চিন্নবা করি লৈনো?
৩১০. ঙাইহাক্কী মনুংদা খংচাও চাওথোকহনবা য়াবা মীৎনা উবা পোৎসি করিনো?
৩১১. মুরগনা হেন্না ফজে লৌনবসি করিনো?
৩১২. ঐগী ইমা ইপানি, ঐনা মখোঙ–মখূৎ পানবীরে অদুবু চৎলোদি য়াদবা করিনো?

***পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমায় অসিদা ফোঙদোকচগনি।***

***মমাঙ নোংমাইজিংগী (৩০–১২–২০১৮) পাউখোঙ ফোঙবা***

৩০০. নিংথৌ অনীনি। মদুদি (১) কফোই (২) হৈনৌনি। কফোইনা হিন্দুশিংনা থাজনবনি থীজিনবশিংনদি হৈনৌনা হকচাংদা কানবা মচল খ্বাইদগী হেন্না য়াওবা হৈনি লৌই।
৩০১. লৈ অতোইবী অনী শুই মদুদি (ক) থম্বালনি। (খ) অতরগুলাবনি। হিন্দুশিংনদি (মসিবু ক্বীন ওফ ফ্লৱারস কৌই) থম্বালনা অতরগুলাপতগী হেন্না ৱাংনা লৌই।
৩০২. তখেল্লৈ লাবগী পাম্বীনি।
৩০৩. য়েন্দং পাম্বী
৩০৪. পূক্নীংনি।
৩০৫. পূক্নীংনি।
৩০৬. লাংবন উচি খোয়।

# কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **ফি–রোলদা গম (গোম) হৈজীনখ্রবদি?**

ফি–রোলদা মখল–মখা গোমগী মহী তাশিনখিবা নৎত্রগা হৈজীনখ্রবদি পন্থবীদনা ঈশিংদা থাদোকপীরগা মতূংদা মিথাইলেটেদ স্পিরিট শীজিন্নবীরগা অমুক্তসু থাদোকপীহৌ নৎত্রগদি গোম তৈখিবা শরুক্তু মতেক–মতেক তেক্লকপা য়ানা কনশীল্লক্কনি।

* **ফি–রোলদা গ্রীজ তৈশীনখ্রবদি?**

(ক) ফি–রোলদা গ্রীজ তৈশীনখ্রবদি তৈশীনখ্রিবা মফম অদুদা হকচাং পাউদর খরা চাইশিনবিরগা খোত্তোকপিহৌ, অদুগা অশাবা ঈশিংদা শূদোকপীয়ু।

(খ) গ্রীজ তৈশীনখ্রবা শরুক অদুদা ওকথাউ খরা তৈশীনবিয়ু অদুগা অশাবা ঈশিংদা শূদোকপীয়ু।

* **ফি–রোলদা চা–কোফি চুশিনখ্রবদি?**

ফি–রোলদা চা নৎত্রগা কোফি হৈজীনখিদুনা চুশিনখ্রবদি ফিশু সাপোন নৎত্রগা পাউদরনা শূদোকপিদ্রিঙৈ মমাঙদা মিনিট ৫ রোম অঙৈংবা অমসুং অচম্বা ঈশিংদা হান্না তীংশীনবিখো।

* **ফি–রোলদা থাউথী তৈশীনখ্রবদি?**

মখল খুদিংমক্কী ফি–রোলশিংদা থাউথী তৈখিবা তারবদি রুমালগুম্বা অতোপ্পা ফি অমা মরোল নাইনা থানা থুপচীনবিরগা থাউথী চুরিবা অদুগী মখাদা থম্বীয়ু অদুগা থাউথী চুরিবা অদুদা মাখন (বত্তর) খজীক্তং তৈশীনবিরগা পূং ১ রোম থম্বীরবা মতূংদা লুম্ফুং শাবা ঈশিংদা সাপোন নোইরগা থাদোকপীয়ু।

* **ফি–রোলনা পিশক–পীক্লা চিংশিনখ্রবদি?**

অদোম্না লৈরক–ফংলকপা ফূরিৎ–খোঙ্গ্রাও ফি–রোলশিংবু য়ূমদা অহানবা ওইনা শূদোকপিরুবদা খংচিং–চিংশিনখিদুনা হান্নগী চপ–চাবা সাইজ অদুদগী খংপীক–পীকশীনখিদুনা শীজিন্নবদা নাতৈ চাররোইদবা য়াওরকপদা নুংনাংবীরুনু। অদুগুম্বা ফি–রোলশিং অদু লুম্ফুং শাবা ঈশিংদা, কোক লুজনবা শাম্পু খরা য়ানশিনবিরগা ঙাইহাক্তং তিংশীন্দুনা থম্বীয়ু, অদুগা মহী শুমদোক্তনা ফৌদোকপিয়ু, হান্নগী সাইজদা অমুক হন্দোরক্কনি।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ''কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু'' দগী লৌথোকচবা)*

# শৈরেং

## পুরি হোইরি থৱায়শিং

*– য়াম্বেম সত্য*

পামজদবা লম্বীনি
শাজৈ থাদুনা হোইবিরি
পাঙলগা য়েংঙি মউদে
উইশিল্লগা হেন্না মউদে
চৎপীংদবৈ পোৎলুম্না
ফূকঙমদ্রবা খোঙথাংনি
অখাক–অরাও কিবনা
শক্লীংদনা শক্লিবা
নীংতম সুর শৈহেক্লি
নীংতম লৈরাং পরেংনি
ঙকশম খুদিং হূক্লিবা
সেবাই লীপূন অচেৎপা
খূদাঙ খুদিং কারনলাক
ইরৈবাক্লা লাঙ্গোয়চন
পুরি হোইরি থৱায়শিং
লম্বীসিদি পামজদবা।

## ৱাকচিংগী নোং

*– মুতুম দেবলা দেবী*

ইমা! ইখিসিরনে ঐবু
ৱাহৈশিং অসে?
হাপ্লব্রদি খল্লি
থৱায় মঙা? অদুগা করিগীনো
লেং–ওৎপা ঙমদ্রিবসিনা?
মুৎখ্রবোই খল্লি
মৈরী অসে,
অদুগা করিগীনো
কারক্লিবা মৈখু?
খল্লুই য়াতারিবসে
থোৎলবা নতম্বাক্তনি,
অদুগা করিগীনো
ওইরম্লিবা
কল্লবা লৈতঙ্গায়?
ঙাইখিসিরনে,
ৱাকচিংগী নোং!
চেল্লমখিগদ্রনে ময়াইদো
শিদ হিদাক!
থমখিসিরনে থাজবা
ৱাকচিংগী নোং মাবু।।

## লাইগী পাঙ্খক

*– ইরোম মোবি*

শুনা শুনা নোম্না নোম্না
লায়রবা
লায়রবা হায়বদুদগী লাম্থোকপা ঙমদ্রবা
লায়ররদুনতা লৈরবা মীয়ামদুগী
য়ূম শাবীবা গ্যাস পীবীবা
মৈ ঙালহনবীবা
অনা লায়েংগী মতেং
প্রাইম মিনিষ্টরগী, লৈঙাকসিগী থৌজালনি।।

লাইরবশিংগী মফমদদি
লাইগী পাঙ্খক ওইররে
তৌবিমল খঙবা উৎনরি।।

## নক্লবা

*– হৱাইবম জাঙ্খো*

নোং অসি ঙান্দ্রেদা
তারক্লিবা নোংলিক অহোবা ইনা মরক্তগী।
অৱাফমদা তারবা ঐগী পুন্সি
কনা উদ্রে মীয়াম মরকসিদা।
মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা
ৱাখলনা পোখাফম খঙদ্রকান
অচিকপা অহিংবু থুগাইদুনা
মমাবু থিরক্লি মবুক লাম্লবা
উরেন– কোম্থৌ মচাশিংনা
খোংলি অকিবা লৈতনা
মখোয় মশেল হৌনদুনা।
অথাপ্পদা অহিংগী উচেক অমসু
খোংলক্লি তাম্না য়াম্না তাম্না।
থৌনা খরদি লাকই ঐসে
অশাংবা নিংশা অমা হোল্লগা কোইনা য়েংই শাইজিলগী
অহোবা মরক্তা।
য়াহৌ ঙনবী উচেক পী থাদোই
শেম্বাং, উচিনাও, খোইনিংতোম্বী
খোংলি মরোল লোল– লোল্লদুনা
ইদোম নোকচরি ফমুংদা
ওইরি মখোয়না ঐগী মরুপ।
হংলবোই নিংই
নঙবু কমদৌরিবগে?

## মী ওইনিংবা

*– হৈগ্রুজম নন্দ মৈতৈ*

হে ঈশ্বর!
ঐসে–
মী ওইনিংলক্তবা
মী ওইনা উহন্নিংলক্তবা
হেক হেক য়াওই
খল্লি করি করিগুম্বদা।।

বলিগী থাঙ থাঙ্গৎলিবা
মীগী মখূৎ উরগা
মীদুগী মখূৎ ওইনিংই
থাঙদুনা লৈ ওলহন্নীংই।।

লৌবুক্তা লৌমী উরগা
শম্পোৎ খোইবা উরগা
লৌহোন ফোয়বা উরগা
লৌ লিংবা উরগা
লৌ য়ৈবা উরগা
খুলং ঈশৈ শক্লীংই
নুংশিবা যন্ত্র ওইনিংই।।

মীগী মখোঙ উরগা
তন্দে–মান্দে থাংলগা
মীদুগী মখোঙ ওইনিংই
পরপ পরপ চৎনীংই
তাম্থা নাইনা থাংনীংই।।

## খোইথুম্লবা য়াৱা

*–লাইশ্রম দেবেন*

মীশুম লাইৱানে নঙসে
তারুবদা পংথবা ৱাহৈশিংনা
জগোয় শারি পঙল–তাইবঙদা
শুম্বা ঙম্মী পঙল–কয়াবু।।

ঐদি নঙদৈ লাপ্পা লৈজগে
নীংজগে পঙলসু নফমদৈ
গতি লৈত্র মী অমগুম
মরেক মহাও তংজগে তুমিন।।

শোনবিরক্কনু নঙগী মন্ত্রশিং
থেল্লুচো কনাদা নঙগী শক্তি
তাবদা ৱাজৈ থম্মোয় কাই
মপাম্থোংগী নুংশি ৱাহৈশিং।।